এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# ৱাই পি ঐচ য়ু অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা য়ংফিজিক য়ুনিয়ন (ৱাই পি ঐচ য়ু) ললাম্বুংনা মখোঙনা ক্ষেত্রিইরিল য়ুঠ ক্লব (কে আই ৱাই সী) ক্ষেত্রিগাওবু রন ১০দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে।

ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুংনা পুয়া টোচ ৩ শান্নবদা ১ মায় পাক্লগা ২ মায়থীদুনা পোইন্ট ২ ফংলগা গ্রুপকী টেবলগী ৭শুবা মফমদা লৈরি। কে আই ৱাই সীনা মেটচ ৩ শান্নবদা ৩ মকমায়থীদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা ললাম্বুং টিমগী হেক মথং টেবলগী ইরোইলোইবদা লৈরি।

ৱাই পি ঐচ য়ুনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩২দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ১৪১ লৌবা ঙমখি। ললাম্বুং টিমগী বেটসমেন বিরবল ইরোমনা বোল ৪৮দা রন ৪৪ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা শান্নরোয় ওইখি। অমরেন্দ্র প্রসাদ গুপ্তনা




বোল ৩০দা রন ১৭, কেপ্টেন মোইরাংথেম থোমাসনা আউট ওইদনা বোল ২৫দা রন ১৬, অব্দুল কেফনা বোল ২১দা রন ১০ অমদি রোবিনসন মৈতৈ সান্দমনা বোল ২২দা রন ৯ লৌবা ঙমখি।

ক্ষেত্রিগাওগী অহানবা ইন্নিংসকী বোলিংদা কেপ্টেন এম দিকাওসরনা ওভর ৬ লংবদা রন ১৯ পীরগা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি অদুগা অজমদ কে ঐচনা ওভর ৪, অনিশ অহমদনা ওভর ২ অমদি মোহমদ অব্দুলাখাননা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ২/২ অমদি অব্দুলরহিমনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা কে আই ৱাই সীগী বেটসমেননা ওভর ২০.৪দা ওল আউট ওইদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ১৩১ লৌদুনা ললাম্বুং টিমগী মখুৎতা রন ১০দা মায়থীখি।

ইন্নিংস অদুদা ক্ষেত্রিগাওগী বেটসমেন মোহমদ অব্দুল হামিদনা বোল ৩৩দা রন ২৫, এম দি ফর্হাদনা বোল ২০দা রন ১৫ অমদি অজমদ কে ঐচনা আউট ওইদনা বোল ১০দা রন ২০ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী ললাম্বুং টিমগী বোলিং তৌবদা বিরবল ইরোমনা ওভর ৮ লংবদা রন ৫২ পীরগা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি। কেপ্টেন মোইরাংথেম থোমাসনা ওভর ২.৪ লংবদা ৱিকেট ২ অদুগা রোবিনসন মৈতৈ সান্দম, বিশোরাজ, নিকেটন মাইস্নাম অমদি ইরোম সন্নিনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা ৱাই পি ঐচ য়ুগী ওল রাউন্দর বিরবল ইরোমনা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৪ অমদি অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা বোল ৪৮দা রন ৪৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা গ্রুপ বিগী এম পি এ ককচীং অমদি ৱাই দব্লিয়ু সী পাৎসোই অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# অম্ফাগী এগজিকুটিভ কাউন্সিল মেম্বর অহুম রেজিগনেসন পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০(ঐচএনএস): হৌখিবা নুমিৎ নীনি অসিদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী এগজিকুটিভ কাউন্সিল মেম্বর অহুম্না মখোয়-মখোয়গী রেজিগনেসন লেটর অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিদা পীশিনখ্রে।

মেম্বরশিং অদুদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী এসিস্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিগী ফমসু পুরিবা এল নবা, অম্ফাগী কম্পিটিসন দিরেক্টর হিজম মেঘচন্দ্র অমদি এগজিকুটিভ কাউন্সিল মেম্বর থিঙুজম জি তেন মৈতৈনি।

মখোয়গী রেজিগনেসন লেটরশিং অদুদা মশাগী ওইবা খুদোংথাদবগী মরম ওইরগা ফম থাদোকপগী হায়না পল্লি।

নীংশিংবা য়াবদি, হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মথক্তা আই লীগ সেকেন্দ দিভিজনগী টিম নোমিনেসন তৌবগী মতাংদা এলিগেসন লাক্তুনা মায়কৈ অনীমক্তগী প্রেস কনফরেন্সনচিংবা পাঙথোক্লদুনা অৱায়-অখুম তৌনবা লৈখিবনি।

৪২শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে

# দাংখু ৱাই সী অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জানুৱারী ১০(ঐচএনএস): চকপীকারোং সব-দিভিজন স্পোর্টিং এসোসিএসননা শীন্দুনা ৪২ শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীট২০২৩ ঙসি চকপীকারোং পব্লিক প্লেগ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা নুমিৎতা ফুটবোল মশান্নগী শান্নখিবা অহানবা মেটচতা দাংখু য়ুঠ ক্লবনা শল্লুক য়ুঠ ক্লবপু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

দাংখু টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মনৱারনা শান্নবগী ১৬ অমদি ৫৭ শুবা মিনটতা অদুগা সোরিংনা শান্নবগী ৪৬ অমদি ৫৪ শুবা মিনটতা গোল ২/২ অদুগা জয়সন অমদি ঐচ বি ৱারঙমনা শান্নবগী ৩২ অমদি ৭১ শুবা মিনটতা অমমম্ চনবা ঙমখি।

শল্লুক টিমগী গোল অনী অদুনা দব্লিয়ু এস ঙমরিং অমদি ঐচ বি গিভসননা শান্নবগী ৪৯ অমদি ৬৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা পি রালরিংখুনা ফুনচুংবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

রালরিংখুগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কে ঐচ বুংরিং, কে ঐচ কোনিংনার অমদি দি রোবিঙমনা শান্নবগী ৩, ১২ অমদি ৪৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা লাম্বুং য়ুঠ এন্দ কলচরেল ক্লব (এল ৱাই সী সী)না চকপীকারোং য়ং ষ্টারবু লাকচনা ৮-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঐচ টি রিথানা শান্নবা হৌরকপগী অহানবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি অদুগা শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী ৮শুবা গোল চনবা ঙমখি। জে এস এলোভর, এস টি সেলথারিং, ঐচ টি অটলি, দব্লিয়ু এস মোশিমলা অমদি কে এল গেদিঙমনা শান্নবগী ১৪, ২১, ৪১, ৪৩ অমদি ৫৮ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম এল এ ডা. রাধেশ্যাম অমদি এম এল এ, এস এস ওলিশনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

য়ু-১৪ বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# হৌলুনগৌ মাটেগী হেটট্রিকনা ফুটবোল ফোর চেঞ্জ একাদেমি চাওনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০(ঐচএনএস): ঐচ হৌলুনগৌ মাটেনা চনখিবা গোল ৩গী মতেংনা ফুটবোল ফোর চেঞ্জ একাদেমি (এফ ৪ সী) সাইকুলনা বালানন্দ ফুটবোল একাদেমি (বি এফ এ) বিষ্ণুপুরবু ৩-০দা চথরিবা দিলবুং কামচোর মেমোরিএল অহানবা অন্দর-১৪ বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসিল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

হৌলুনগৌ মাটেনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা শান্নবগী ২৮ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা বি এফ এ বিষ্ণুপুরবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ হৌলুনগৌনা শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী এফ ৪ সী সাইকুলনা বি এফ এ বিষ্ণুপুরবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, নুংথিল শান্নখিবা চপ মান্নবা গ্রুপকী মেটচ অমদা নেরোকা এফ সী ইম্ফাল ইষ্টনা এম ৱাই দি সী ইম্ফাল ৱেষ্টপু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফতা সলমান খুর্সিদনা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা নেরোকাগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। ঙাংখম নেলসন মৈতৈনা শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা নেরোকাগী অনীশুবা গোল চনখি অদুগা গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা এম দি মুজাহিদনা শান্নবনগী ৫৫ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা অয়ুক শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা গোল্ডন ফুটবোল একাদেমি (জি এফ এ) ইম্ফাল ইষ্ট অমদি রাইজিং এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (রাও) ইম্ফাল ইষ্ট ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

জি এফ এগী গোল অদুনা থিঙুজম সাইখোম্বনা অহানবা হাফকী শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি অদুগা রাওগী গোল অদুনা কেপ্টেন ঙাসেপ্পম দাইমন্দনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি চগুনলুং পানমৈনা রাওগী নোংসাইবম সমির অমদি মোইরাংথেম অলবর্ট শান্নবগী ১৮ অমদি ২৬ শুবা মিনটতা অদুগা জি এফ এগী ওইনাম তেলহৈবা মীতৈ মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

মেটচ অসিদা শাফবা মৈতৈ অবুজম অমদি কিরঞ্জিৎ থাংজমনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ১ অমসুং ২ অদুগা মোইরাংথেম ননাওনা ফোর্থ ওফিসল, সনাবম জেমসকুমারনা রেফরি এসেসর অমদি অমর্জিৎ মীতৈ হিরোমনা মেটচ কম্মিস্নর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ১২ শগোলশেন নুমিৎতা গ্রুপ সীগী মেটচ ২ অমদি গ্রুপ এগী মেটচ ১ শান্নরগনি।

রবিচন্দ্র ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# অপূনবা এফ সী সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০(ঐচএনএস): উপা ক্যামগৈনা শীন্দুনা ক্যামগৈ ময়াই লৈকাই গ্রাউন্দদা চথরিবা ১২শুবা রবিচন্দ্র মেমোরিএল ষ্টেট ওপন ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা অপূনবা এফ সী অরাপ্তিনা কে এস এ এফ সী খুয়াথোংবু ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অপূনবা এফ সীগী রোবিনসননা শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। সঞ্জয়না শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং ইকান কান্নদনা রোশননা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা অপূনবা এফ সীগী অনীশুবা গোল চনখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই চিঙ্খোনা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা অরাপ্তি টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি অদুগা রোশননা মখা তানা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা খুয়াথোং টিমবু ৪-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা চিঙ্খোনা শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা অমদি অপূনবা এফ সীগী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক গোল চন্দ্রিঙৈ মমাং শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখিবনি।

কিষননা শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা কে এস এগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা অপূনবা এফ সীগী ননাও অমদি কে এস এগী নিংথৌবা শান্নবগী ১৮ অমদি ২৬ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

লোইশিল্লকপদা অপূনবা এফ সীগী জর্সি নম্বর ৯ রোশননা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

ঙসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসিদা দব্লিয়ু মেরানা অথোইবা মীথুংলেন অমদি এন ব্রজমণিনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবদা অয়ুক পুং ৯দা অরাপ্তি এফ সী অমদি মমৈ এফ সী থেংনরগনি। অনীশুবা মেটচ নুংথিল পুং ২দা আর এফ সী সগোলবন্দ অমদি বোলেরো এফ সী বামোন লৈকাই শান্নরগনি।

# এ আই য়ুনা শীন্দুনা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০(ঐচএনএস): এসিয়ন ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটি (এ আই য়ু)না শীন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিং অমদি ঘড়ী প্লেয়র্স এসোসিএসন অনীগী ওইবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঘড়ী মমাং লৈকাইদা লৈবা অমিঙোল লম্পাক্তা শান্নখ্রে।

মেটচকী মাংওইননা এসিয়ন ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটি (এ আই য়ু)গী স্পোর্টস কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন ভিক্কি সিংহনা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংদা স্পোর্টস বেগ, টি শর্ট অমদি ট্রেক স্যুইটনচিংবা য়েন্থোকখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা এ আই য়ুগী প্রো ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. ময়াঙ্ক সিংগাল, রেজিষ্ট্রার সুনিল দট্ট গৌতম, এদমিনিষ্ট্রেসন দিন সঞ্জয় বেনর্জী, য়াসকুমার অমদি অতোপ্পা য়ুনিভর্সিটিগী দিগনিটরিশিংসু শরুক য়াখি।



মেটচ অসিদা এসিয়ন ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটিনা ঘড়ী প্লেয়র্স এসোসিএসনবু ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা এ আই য়ুগী স্পোর্টস কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন ভিক্কি সিংহনা টিম অনীগী শান্নরোয়শিংদা ট্রোফি অমদি পার্টিসিপেসন সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি। মহাক্না মখা তানা টিম অনীমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়খিবদা, স্পোর্টস এক্টিভিটি অসি নহাশিংবু ফিজিকেল ফিটনেস লৈহনবদা য়াম্নমক মথৌ তাই হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না ঘড়ী প্লেয়র্স এসোসিএসনগী চ্যেরমেন কোইজম উমাকান্তনা মায় পাকখিবা এ আই য়ুগী টিমবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইভেন্ট অসি শীনবগীদমক এসিয়ন ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটিবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

৭শুবা পুপু কপ ২০২৩

# ৱাই দি সী এল-এ, ঈ য়ু এস সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জানুৱারী ১০(ঐচএনএস): পেরদাইজ য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু)না শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা পুপু কপ লল্লাই কেন্দ্র ভিলেজৱাইজ ওপন ৯-এসাইদ মেন্স ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচ অনীদা ৱাই দি সী এল-এ পুংদোংবম অমদি ঈ য়ু এস সী তেলৌ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ৱাই দি সী এল-এ পুংদোংবমনা সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

পুংদোংবম টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু তেলহৈবনা শান্নবা হৌরকপগী ১১ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা মায় পাকখিবা পুংদোংবম টিমগী সনামচাবু শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা ঈ য়ু এস সী তেলৌনা তাম এফ সী-বি সেক্তাবু ৫-১দা মায়থীবা পীখি।

সেক্তা টিমগী অমুবনা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। রাকেশনা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা তেলৌগী নুপামচাশিংনা খুদুম চন্না শান্নবগা লোয়ননা ইবোতোম্বনা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা ঈ য়ু এস সীগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা রবন্তনা শান্নবগী ৩৪ শুবা মিনটতা তেলৌগী অহুমশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৪৬ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা অমদি মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি। নোভেলনা শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা ঈ এস য়ুগী ৪শুবা গোল চনখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা ঈ এস য়ুগী রোমেশচন্দ্র অমদি তাম এফ সীগী বিশো শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা দাইরেক্ট রেদ কার্দ উৎতুনা মখোয় অনীমক ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। রেফরিনা সেক্তা টিমগী কিটরসন অমসুং লন্থোইবা অনীবুসু শান্নবগী ১২ অমদি ১৮ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা গ্রুপ এগী আর্মি এফ সী সৈজাং অমদি রেদ মেছিন য়ুন্নাম খুনৌ থেংনরগনি। অনীশুবা মেটচতা গ্রুপ বিগী ৱাই পি এফয়াইঙংপোকপী অমদি নেসু খুরাই লম্বা তৌনরগনি।

দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# সেনা এথলিট ওর্গনাইজেসন সেমীফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জানুৱারী ১০(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা চথরিবা ১৭শুবা দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩গী ঙসি ককচীংগী দি এস এ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সেনা এথলিট ওর্গনাইজেসন (সাও) ককচীংনা লাংমৈদোং মমাং লৈকাই সিটিজন ক্লব (এল এম এল সী সী) লাংমৈদোংবু টাই ব্রেকতা ৭-৫দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা ২-২দা দ্রো ওইখি।

সাওগী গোল অনী অদুনা এল দিঙ্কুনা শান্নবগী ১৩ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা অনীমক চনবা ঙমখি। লাংমৈদোং টিমগী গোল অনী অদুনা ঈ বিরেন্দ্রকুমার অমদি ঈ অভিনাশনা শান্নবগী ৩৮ অমদি ৯০ শুবা মিনটতা অমমম্ চনখি।

নোর্মেল টাইমগী শান্নবদা রেফরি রাজেশ কোমনা লাংমৈদোং টিমগী সী ঐচ রোজিৎ অদুগা সাওগী এস অশোক কুমার অমদি এন রোশনবু শান্নবগী ১৮, ৪৪ অমদি অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা লাংমৈদোং টিমগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অহুম-ঈ বিরেন্দ্রকুমার, এস ঐচ কাইকু অমদি সী ঐচ রোহিটনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা ককচীং টিমগী মায়কৈদগী শান্নরোয় মঙা- এল দিঙ্কু, এন রোশন, এস অশোককুমার, এন ধনবির অমদি ইরিক হোংসানা গোল ওন্থোক্তুনা এল এম এল সী সীবু ২-২ (৫-৩)দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ১২ শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.৪৫দা ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন (এ আই এফ এ) ইরেংবন্দ অমদি য়ুনাইটেদ ব্রদর্স স্পোর্টিং এসোসিএসন (য়ু বি এস এ) মান্তক অনীনা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি

# অনিলগী গোলনা তেন্থা এফ সীনা তেকচম মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০(ঐচএনএস): এম অনিলনা চনখিবা গোল ২গী মতেংনা তেন্থা এফ সীনা তেকচমবু ২-১দা চথরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি ইরেংবন্দ প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

তেকচমগী রবিন্দ্রনা শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা এম অনিলনা শান্নবগী ৫ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফতা অনিলনা শান্নবগী ৪০ শুবা মিনটতা তেন্থা টিমগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা তেকচমগী অমর্জিৎ অমদি ওকেন শান্নবগী ১০ অমদি ৪৮ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নগদবা মেটচ অমদা এস দব্লিয়ু সী কৈরক মতম চানা রিপোর্ট তৌরদবদগী এস এ এল এফ সীনা ৱাক ওভর ফংদুনা ১-০দা মায় পাকখ্রে।

ট্রুগপু ট্রোফি

# য়ূম্বু ট্রুগপু অমদি জি দি সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০(ঐচএনএস): টিদ্দিম রোদ য়ুনিক গেমি প্লেয়র্স য়ুনিয়ন (ট্রুগপু) নম্বোলনা শীন্দুনা নম্বোল কোংখামদা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ট্রুগপু ট্রোফি ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ূম্বু টিম ওইরিবা ট্রুগপু নম্বোল অমদি জি দি সী থিনুঙ্গৈ ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

য়ূম্বু টিমগী গোল অদুনা মাইকেলনা শান্নবা হৌরকপগী ৯শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। জি দি সীগী গোল অদুনা নিংথৌজম অর্বিন্দনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি আর কে রঞ্জননা জি দি সীগী সাপম সনায়াইমবু শান্নবগী ৮২ শুবা মিনটতা দাইরেক্ট রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি।

মেটচ অসিদা দি পোল অমদি পি ঐচ সেমসননা এসিষ্টেন্ট রেফরি ১ অমসুং ২, এল আশাকিরননা ফোর্থ ওফিসল, আই জয়কুমারনা রেফরি এসেসর অমদি থাও জোনি চোথেনা মেটচ কম্মিস্নর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা জি দি সী থিনুঙ্গৈ অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব লম্বা তৌনরগনি।

# কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০(ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ভিলেজ ইদিফাই টেনর ওর্গনাইজেসন (ভেটো)না শীন্দুনা ৪৮শুবা জুনিয়র অমদি সব-জুনিয়র মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ থা অসিগী ২৯দগী ফেব্রুৱারী ১ ফাওবা ভেটো প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌবা ক্লবশিং, এসোসিএসনশিং অমদি য়ুনিটশিংনা থা অসিগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম থাজিল্লক্লবা খঙহল্লক্লি।

প্রধান ট্রোফি

# রেস্বন্ত অমদি বেঙ্গুন এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারী ১০(ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা হয়েল গ্রাউন্দদা চথরিবা প্রধান ট্রোফি ৬শুবা ষ্টেট লেভেল ৯-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা রেস্বন্ত এফ সীনা অপূনবা এফ সীবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।


রেস্বন্ত এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু অরিফনা শান্নবগী ১৯ অমদি ৩৭ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা গুলজরনা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি। অপূনবা এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা তোম্বনা শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা বেঙ্গুন এফ সীনা সন্থেল এফ সীবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

বেঙ্গুন এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মিরাজনা শান্নবগী ৪০ অমদি ৪৯ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা সমির খান অমদি এম দি অরিফ খাননা শান্নবগী ১৭ অমদি ২৯ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

সন্থেল এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ৱাশিমনা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 683**

**W. Buthmi J Epa (1405) - Saba Jalali (2054)**
**World School-ch U15 Girls Antalya (8), 2019.04.25**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 e6 | 2.c4 Nf6 | 3.a3 b6 | 4.Nc3 Bb7 |
| 5.d5 e5 | 6.g3 d6 | 7.Bg2 g6 | 8.Nf3 Bg7 |
| 9.e4 a5 | 10.Bg5 Na6 | 11.Rb1 h6 | 12.Be3 Nc5 |
| 13.Nd2 O-O | 14.O-O Bc8 | 15.f3 Nfd7 | 16.b4 Na6 |
| 17.Qc2 f5 | 18.Ne2 Qe7 | 19.f4 fxe4 | 20.Nxe4 exf4 |
| 21.Nxf4 Ne5 | 22.Nd3 Rxf1+ | 23.Rxf1 Nxd3 | 24.Qxd3 Bf5 |
| 25.b5 Re8 | 26.Rf4 Nc5 | 27.Bxc5 bxc5 | 28.Qd2 Qe5 |
| 29.g4 Qd4+ | 30.Qxd4 Bxd4+ | 31.Kf1 Bd7 | 32.a4 Kg7 |
| 33.h3 g5 | 34.Rf5 Bxf5 | 35.gxf5 Re5 | 36.f6+ Kf7 |
| 37.Bf3 Rf5 | 38.Kg2 Bxf6 | 39. ... | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 682 Ans. :**

25. Bf6 Be7 Blocking square e7. 26. Qh5 Mating net Re8 Blocking square e8. 27. Qxh7+ Kf8 28. Bg7#
28. Qg7# Damiano's bishop mate
28. Qh8# Back-rank mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com